জর্নেলিষ্টশিংগী হেল্থ ইন্সুরেন্স স্কিম অমা ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখ্রে

অগরটালা, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : ঙসিদগী নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ত্রিপুরাদা লৈরিবা মীদিয়াশিংগী ওইদবা পাউ কয়া মীয়ামদা শন্দোক্লুনা মহাক্কী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনখিবশিং ঙাকপীরোই হায়না ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব দেবনা ফোঙদোকখিবা অকনবা ৰাহৈ ফোঙদোক্লুবগীদমক ষ্টেট অদুগী জর্নেলিষ্টশিংদা ঙাকপীনবা হায়জখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংগী অনৌবা হেল্থ ইন্সুরেন্স স্কিম অমা মহাক্না লাউথোকখ্রে।

অগরটালাদা লৈবা ফোরম ফোর দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন ওফ মীদিয়া কম্যুনিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট ফনফরেন্সতা চীফ মিনিষ্টর বিপ্লবনা ৰাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা হেল্থ ইন্সুরেন্স স্কিম অসিনা লুপা লাক্ষ ৫ ফাওবা কোভর তৌগনি। ইন্সুরেন্স অসি অয়ুসমান ত্রিপুরা স্কিমগী মখাদা পীগদবনি।

বিপ্লবনা মখা তনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা হিংনবা হোৎনবদা হীরম কয়াদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। লমদম অদুগী পাউমীশিংগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎনবা গৱর্ণমেন্টনা অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ষ্টেট অদুগী পেপর খরদা মহাক্কী মরমদা ফোঙলকখিবা অরানবা পাউশিং পারুবদগী নুংঙাইতবা ফাওখি। মদুনা মরম ওইরগা ৰাখল খন্থদনা লমদম অদুগী পাউমীশিংগী মায়োক্তা মহাক্কী অকনবা ৰাফমশিং অদু ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৰাফমশিং অদু কনাগুম্বা মীওই অমদা অতম্লনা টার্গেট তৌরগা হায়খিবা নত্তে। মহাক্কী ৰাহৈ অদুনা কনাগুম্বা জর্নেলিষ্টশিংদা নুংঙাইতবা ফাওহল্লবদি মদুগীদমক ঐনা লাল্লে হায়জরি হায়না কনফরেন্স অদুদা বিপ্লবনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা সেপ্তেম্বর ১১ দা ত্রিপুরাদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা পাউকয়া ষ্টেটঅদুগী মীদিয়াশিংদা ফোঙনরকখি। মদুদগী মীদিয়া ফেটরনিটি অমদি চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব দেবগী মরক্তা মুক্লবা হৌরকখিবনি। সেপ্তেম্বর ১১ দা মহাক্না অরানবা পাউ ইরিবা পাউমীশিং অমত্তা ঙাকপীবা তৌরোই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীদিয়া ফেটরনিটিশিংদা থ্রেটন ফাওবা তৌখিবগী ৰাথোক লৈখি।

লুখা তুরেল মচু ওল্লকপগী মতাংদা থিজিন্নবা খাসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না তকশিল্লক্লি

শিলোং, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : শিলোংগী ইষ্ট জাইন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টতা চেল্লিবা মফম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা তুরেল লুখা হৌখিবা চহী ২০০৭ তগী হৌরগা ৱিন্টর সিজন খুদিংগী হিগোক মচু ওনশিল্লক্লিবা অদুগী মতাংদা অথুবদা থিজিন্নবা খাসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার ই খারমলকি উন্নদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

হৌখিবা চহী ১০ হেনবরোমদা তুরেল অসিদা ঙা কয়া শিবগী চাং হেনগৎলক্লি অমদি থক্লবা ঈশিং ওইনা শীজিন্নবা য়ারক্ত্রে হায়না কে এস য়ুনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা জন্যুৱারি ৯ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনগদবনি।

হায়রিবা মতম অদু ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা গৱর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিংনা থিজিনবগী থবক হৌদ্রবদি য়ুনিয়ন অসিনা খোঙজং চঙশিল্লক্কনি হায়না ফোঙদোক্লবসু করম্বা মখলগী খোঙজংশিং চঙশিল্লক্কদগে হায়বদুদি ফোঙদোকপা লৈত্রি।

তুরেল অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওই খরগী মতুং ইন্না সিমেন্ট ফেক্টরিশিংনা মরম ওইরগা ঈশিং মচু ওল্লকপা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লবসু গৱর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙবা লৈত্রি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা নোর্থ ইষ্ট হিলস য়ুনিভর্সিটি য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রাইভেট ইন্সটিট্যুটশিংগা ঈশিং মচু ওল্লকপগী মতাংদা ষ্টদি তৌদুনা লাক্লি। ষ্টদি অয়াম্বদা ঈশিংদা লাইমষ্টোন চাং হেন্না য়াওবা থেংনরি।

মেঘলয়াগী ইষ্ট জাইন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উমদো অমসুং লুমশোং এরিয়াগী অকোয়বদা হৌখিবা চহী ২০০৫ তগী হৌদুনা লাইমষ্টোন মাইনিংগী থবক থৌরমশিং চথবা হৌরকখিবনি। ঈশিং মচু ওল্লক্লিবা অসি ফেক্টরিশিং অসিনা থোকহল্লকপনি হায়না মীয়াম্না ফোঙদোক্লরক্লিবা অসিগী মতাংদা গৱর্ণমেন্টনা অথুবদা য়েংশিনগদবনি হায়রি।

লাইনিং লাইশোনগী খেন্নবা লৈহন্দনা চাওখৎপা পুরক্লবগী ফীরেপ লৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি মহাক্কী গৱর্ণমেন্ট অসি লাইনিং লাইশোনগী খেন্নবা লৈহন্দনা লৈবাক অসিনা চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

লাইনিং লাইশোনদা য়ুম্ফম ওইরগা কনামত্তবু অচান মিরাই নাইনা য়েংলোই অমসুং কনামত্তবু চাওখৎ খোঙথাংদগী ইন্তোকপা তৌরোই হায়না মহাক্না থাজবা পীখি। কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা ফন্দামেন্টেল রাইটশিংগী মতুং ইন্না মীপুম খুদিংমক চাওখৎপগী মায়কৈদা চঙশিনগনি হায়না মোদিনা উত্তর প্রদেশকী অলিগরদা লৈবা অলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিন্নরি সেলেব্রেসনদা শরুক য়ারদুনা ভিদিও কনফরেন্সশিংগী খুথাংদা ফোঙদোকখি।

চহী ৫৬ কী মমাঙদা লাল বহাদুর শাস্ত্রিনা ৰা ঙাঙখিবা মতুংদা মোদিনা এম এম য়ুগী ফঙ্কসন অসিদা ঙাঙবা অনীশুবা প্রাইম মিনিষ্টরনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক্কা মরম ওইদুনা লৈবাক শিন থুংনা লোকদাউন থল্লিঙৈ মনুংদা য়ুনিয়ন গৱর্ণমেন্টনা কনামত্তদা অচান মীরাই নাইনা য়েংখিদে অমসুং লৈবাক অসিগী লাইরবা ক্রোর ৮০ দা চাঙ্গাক্কী পোৎলমশিং লেম্না য়েন্থোকখি।

য়ুনিয়ন গৱর্ণমেন্টনা বেঙ্ক একাউন্ট ক্রোর ৪০ হাংখি। মীওই ক্রোর ২ গী লৈনবা য়ুমশিং শাবিখি অমদি ক্লিন ইন্দিয়া মিসনগী মখাদা মীওই ক্রোর ১০ গী টোইলেটশিং শাখি। চাওখৎ খোঙথাংগী ৰাফমশিংদা পোলিটিকেলগী অখুবা মীৎয়েংনা য়েংলোইদবনি। অনৌবা ইন্দিয়াদা পোলিটিকেলগী অখুবা মিৎয়েংনা য়েংবগী চৎনবী অসি লৈররোই হায়না মোদিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, গৱর্ণমেন্টগী পোলিসিশিংনা মরম ওইদুনা হান্না চহী কয়া লিশাং শিংনা মুস্লিম নুপীশিংগী মরক্তা মহৈ তম্বা তোকথোকপগী চাং চাদা ৭০ ওইরম্বদগী হৌজিক শুপ্নগী চাদা ৩০ দা হন্থরে। মসি মহৈ তম্ফমশিংদা তোইলেট মশিং হেনগৎহনবদগীনি।

মোদিনা এ এস য়ুগী শিংথানিঙাই ওইরবা চহী ১০০ গী হেরিটেজ নীংশিংখি। কোন্না এম এস য়ু ওইরকখিবা মুহম্মদন এংলো ওরিএন্টেল কলেজ লিংখৎখিবা সার সয়েদ অহমদ খানগী ৰাহৈশিং পল্লদুনা মোদিনা হায়খি, মরৈবাক নুংশিজবা মীওই অমনা অচান মীরাই নাইবগী মিৎয়েং য়াওদনা মীয়ামগী য়াইফনবা খনগদবনি।

ৰাখল্লোনগী মতাংদা খেন্নবা কয়া লৈরবসু নীংতম ঈহৌ মনুংদা লৈখিবগুম্না অনৌবা ইন্দিয়ানা মীপুং খুদিংমক্তা মান্নবা মিৎয়েংনা য়েংদুনা অমত্তা চীখহনবা তৌদনা চাওখৎপগী খুদোংচাবা ফঙহনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নুপী মহৈরোয় মশীং চাদা ৩৫ ফাওবা হেনগৎহনবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ুনিভর্সিটি অসিবু থাগৎখি অমসুং গৱর্ণমেন্ট মহৈরোয়শিংগীদমক্তা স্কোলাসিপ ক্রোর ১ পীখ্রবনি হায়খি।

পেন্দমিক মনুংদা এম য়ুনা লাইর অনংশিংবু মতেং পাংবগা লোয়ননা পি এম সী এ আর ঈ এম ফন্দদা দোনোসন তৌদুনা লৈবাক অসিদা উৎফম থোকপা থৌদাং উৎখি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ফাখ্রবা পি দি পিগী লিদরনা দি দি সীগী মীখলদা মায় পাক্লে

শ্রীনগর, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : পিপলস এলাইএন্স ফোর গুপকর দিসলরেসন (পি এ জি দি) গী কেন্দিদেট অমসুং পি দি পিগী লিদর ৰাহীদ পারানা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কাউন্সিল (দি দি সী) গী মীখলদা পুলৱামা কন্সটিট্যুএন্সিদগী মায় পাকখ্রে।

পি দি পিগী লিদর অসি হিজবুল মুজাহিদ্দিন শৌগৎপগীদমক্তা হান্নদা ফাখ্রবা জে এন্দ কে পুলিসকী হান্নগী দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী কেসকা মরী লৈননা নবেম্বর ২৬ দা এন আই এনা ফাখিবনি।

সিংহ অমসুং হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী টেররিষ্ট নবীদ বাবু চহী অসিগী জন্যুৱারীদা শ্রীনগরদগী জম্মুদা গাড়ী তোংদুনা চৎলিঙৈদা ফাখি। পারানা মায় পাক্লিবা অসিনা মহাকপু মীয়াম্না নুংশী অমসুং থাজৈ হায়বসি উৎলি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং পি দি পিগী প্রসিদেন্ট মেহবুবামুফতিনা ট্বীটরদা ইখি।

ৰাহিদ পারানা অহানবা ওইনা মীখল থেংনবদা মহাক্কী লম্বাদগী ভোট মশীং য়াম্না হেন্দুনা মায় পাক্লিবা অসিদগী হেন্না পি দি পিনা চাওথোক্লিঙাই লৈতে। নোমিনেসন ফাইল তৌখিবা মতুংদা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শীজিন্দুনা ফাখ্রবসু মীয়াম্না মঙোন্দা নুংশিবা অমসুং থাজবা উৎখি হায়না মেহবুবা মুফতিনা মখা তাখি।

দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কাউন্সিলগী কন্সটিট্যুএন্সি ২৮০ গী ভোট মশীং থীবগী থবক অরোইবা তাঙ্কক য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা পুৱারীগী শরুক ওইরগদবা মওংদা পিপলস এলাইএন্স ফোর গুপকর দিক্লাসরেসন কাউন্সিলনা ভারতিয়া জনাতা পার্টি (বি জে পি) বু চাওনা মায়থীবা পীবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

জুদিসিয়ারিশিংনসু মহৌশাগী শক্তম য়োকখৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংগদবনি

আইজোল, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা লৈরিবা জুদিসিয়ারিশিংনসু ইনভারোনমেন্টল কঞ্জর্বেসন এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টকী থবক থৌরমশিংদা হেন্না থৱায় য়াওশিনগদবনি হায়না ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস এস এ বোবদেনা ফোঙদোকখ্রে।

জষ্টিটস বোবদে নুমিৎ নীনীগী খোঙচত্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তা আইজোলদা থুংলখিবনি। চহী ৩০ রোমগী মতুংদা ষ্টেট অসিদা লাকপা চীফ জষ্টিস বোবদেনা অহানবা ওইরি। মিজোরাম লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মিট ওন গ্রিন মিজোরামগী থৌরমদা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া বোবদেনা মথক্কী ৰাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইনভাইরোনমেন্টকী প্রোব্লেম অসি জেনরেসন কয়ানা থেংনদুনা লাক্লবা ইশ্যু অমনি হায়খি।

মহৌশাগী শক্তম য়োকখত্তুনা থম্বদা মীপুম খুদিংগী মথৌ তাই। মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্নবগী মতাংদা হৌজিক মতমগী মীরোলশিংনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা তন্লিবা সবজেক্টশিং মরু ওইনা বাইওলোজি, ইকোলোজি, আর্ট, সাইন্স, জিওগ্রাফি অমসুং এটমোসফেরিক সাইন্সতা য়াওরি। ইনভাইরোনমেন্টেল ক্রাইসিসকা মরী লৈনবা কেসশিং জুদিসিয়াশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌমরদুগা মরী লৈননা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অমা নত্রগা লৈবাক অমা চাওখৎপদা ইনভাইরোনমেন্টেল প্রোটেক্সন অমসুং ইকোনোমিক গ্রোথ অনী খূৎশম্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই। ঙসিগী থৌমর অদুদা ষ্টেট লো মিনিষ্টর টি জে লালনুনতুঙা, গুৱাহাটি হায় কোর্টকী জজ জষ্টিস মাইকেল জোথানখুমা অমসুং জষ্টিস নেলসন সাইলো অমদি এন জি ও লিদরশিংনা শরুক য়াখি।

কুইপো ওইল এন্দ গ্যাস ইনফ্রাষ্ট্রকচর লিমিটৈদকী মীওই অনী চাংলাং দিষ্ট্রিক্টতগী কিদনেপ তৌখ্রে

বোরদুমশা, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : অরুনাচল প্রদেশকী মনুং চনবা চাংলাং দিষ্ট্রিক্টকী ইনাও এরিয়াদগী কুইপো ওইল এন্দ গ্যাস ইনফ্রাষ্ট্রকচর লিমিটেদকী ইমপ্লোয়ী অনী নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা কিদনেপ তৌখ্রে হায়রি।

দিয়ুন পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইনাও এরিয়াদগী কিদনেপ তৌখ্রবা ওইল এন্দ গ্যাস কম্পেনিগী ইপ্লোয়ী অনী অদু দ্রিল্লিং সুপরিন্টেন্দেন্ট পি কে গোগোই (৫১) সিভসাগর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বিহারদগী রেদিও ওপরেটর রামকুমার (৩৫) নি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। ইনাও ভিলেজগী খুমচাইকা এরিয়াদা ওইল ইন্দিয়া লিমিদেটনা এম এস কুইপো ওইল এন্দ গ্যাস ইনফ্রাষ্ট্রকচর লিমিটৈদতা দ্রিল্লিংগী থবক চথনবা এঙ্গেস তৌখি। থবক মফমদগী মীওই অনী অদু শকখঙদবশিংনা কিদনেপ তৌখিবনি হায়রি।

হৌখিবা চহী ২০১৯ দসু অরুনাচল প্রদেশ এসেমব্লিগী মীখল মাঙওইননা মনাবম ওইল প্লান্ট মনাক্তগী খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা ইমপ্লোয়ী কিদনেপ তৌবগী থৌওং থোকখ্রে হায়না লোকেল লিদর রোমেস গোগোইনা ফোঙদোকপগা লোয়ননা খূৎলাই মতিক চানা পায়বা মীওই ১০ দগী ১৫ রোমগী ওইগদবা খূৎপু অমনা ওইল এন্দ গ্যাস কম্পেনি ইমপ্লোয়ী অনী অদু কিদনেপ তৌখিবনি। খূৎলায় পায়বা মীওইশিং অদু মখোঙনা বালিপথর ভিলেজ তম্না চৎখিবা অকোয়বগী মীয়াম্না উনহৌখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মশক মমিং খঙদ্রিবা খূৎলায় পায়বা মীওইশিং অদুনা কেসব গোগোই কৌবা অমগী মতাংদা হংখি। কেসব গোগোই হৌখিবা ইরাই নুমিত্তগী লিবতা লৈখিবনা মরম ওইরগা শকখঙদবশিং অদুগা থেংনখিদ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা সোর্চশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না পি কে গোগোইদা লালহৌবা লূপ অমনা অচৌবা শেনফম দিমান্দ তৌরকখিবা লৈ হায়রি।

অমরোমদা দিয়ুন পুলিসতগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা এন্টি সোসল গ্রুপশিংনা মফমদুদা খুন্দদুনা লৈরিবা চহী নৌরিবা চকমা নহাশিং এক্সটোর্সন অমসুং কিদনেপিং কেসকা মরী লৈননা য়াম্না তোয়না ফাবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। পুলিসনা হীরম অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা থিজিনবগী থবক চথরি। ইন্দিয়ন আর্মীগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মিলিটেন্ট অউটফিটশিং অদুনা চৎখি হায়বা মায়কৈ অদোমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিন্দুনা অকুপ্পা পাউ খঙনবা হোৎনরি হায়খি।

দেল্লিগী ইন্দষ্ট্রিশিংদা পি এন জি শীজিন্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২২ (এজেন্সী) : দেল্লিগী মফম ৫০ দা লৈরিবা ইন্দষ্ট্রিএল য়ুনিট খুদিংমক মথং চহীগী জন্যুৱারি ৩১ ফাওবগী মনুংদা পাইপ নেচরেল গ্যাস (পি এন জি) শীজিন্ননবা খঙহনখ্রে। সী টি অসিগী ফীভম শোকচিল্লক্লিবা হয়র ক্বালিটি ইন্দেক্স হন্থহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎখিবনি।

দেল্লি অমসুং নেস্নেল কেপিটেল রিজন (এন সী আর) দা এয়র পোল্যুসন থোকহনবদা ইন্দষ্ট্রিএল সেক্টর অসিসু মরু ওইবা থৌদাং লৌরি হায়বসি খন্নদুনা দেল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চলাইরিবা অসিগুম্বা ইন্দষ্ট্রিএল য়ুনিট ১,৬৪৪ রোমদা কম্মিসন ফোর এয়র ক্বালিটি মেনেজমেন্টনা নোটিসশিং ইশ্যু তৌখ্রে। ইন্দষ্ট্রিগী য়ুনিট কয়ানা পি এন জি শীজিন্নরিবা ওইরবসু দেল্লিগী ইন্দষ্ট্রি খুদিংমক পি এন জি শীজিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না কম্মিসন্না চেকশিন্না ফোঙদোকখি। খোঙথাং অসিগী পাম্দমদা চাননা পাইপলান নেটৱার্ক, মিটরিং অমসুং মরী লৈনবা ইনফ্রষ্ট্রক্টচর শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং মপুং ফানা লোইশিন্নবা ইন্দ্রপ্রস্থা গ্যাস লিমিটৈদ (আই জি এল) অমসুং গ্যাস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া লিমিটৈদ (জি আই এল) দা খঙহনখ্রে।

আই জি এল দেল্লি পোল্যুসন কন্ট্রোল কম্মিটি (দি পি সী সী) অমসুং দেল্লি গৱর্ণমেন্টদসু দেল্লিগী মশক খঙদোক্লবা ইন্দষ্ট্রিএল য়ুনিট খুদিংমক পি এন জি মপুং ফানা শীজিন্নবা য়ানবা ইনফ্রাষ্ট্রক্টচর শেমগৎপগী থবকশিং কুমজা ২০২১ গী জন্যুৱারি ৩১ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা ইন্দষ্ট্রিএল য়ুনিটশিংগা নিংথিনা কোওর্দিনেসন তৌননবা আই জি এল, দেল্লি পোল্যুসন কন্ট্রোল কম্মিটি (দি পি সী সী) অমসুং দেল্লি গৱর্ণমেন্টদা খঙহনখ্রে হায়না মিনিষ্টর ওফ ইনভাইরনমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

দি পি সী সীদা এপ্রুভ তৌদবা ফ্যুএলশিং শীজিন্নবা ইন্দষ্ট্রিশিং মশক খঙদোক্লবা অমসুং কমপ্লাই তৌরমদবশিংগী অকনবা পেনাল এক্সন লৌখৎনবসু দি পি সী সীনা খঙহনখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ আর্থ সাইন্সকী মখাদা থবক তৌবা সিষ্টেমস ওফ এয়র ক্বালিটি এন্দ ৱেদর ফোরকাষ্টিং এন্দ রিসার্চ (এম এ এফ এ আর) না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পুন্না এ ক্যু আইগী চাং ৩৭৩ রেকোর্দ তৌখিবগা লোয়ননা নেস্নেল কেপিটেলগী এয়র ক্বালিটি লেপ্তুনা হন্থরক্লি অমসুং য়াম্না ফত্তবা কেটিগরিদা লৈরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা ফোঙদোকখি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6597/09/12-07/01

CROSSWORD-3655

■	■	1		2		3		4		5		■
6	■		■		■		■		■		■	■
7							■	8				■
	■		■		■		■		■		■	9
10				■	11							
	■	■	■	12	■		■		■		■	
13		14				■	15					
	■		■		■	16	■		■	■	■	
17								■	18	19		
	■		■		■		■	20	■		■	
■	21				■	22						
■	■		■		■		■		■		■	
■	23										■	■

ACROSS

1 Antibiotic (10)
7 Honest (7)
8 Asian prince (4)
10 Piece of work (4)
11 Exceed in importance (8)
13 Response (6)
15 Fetches (6)
17 Fearless (8)
18 Bluish-white metal (4)
21 Retail outlet (4)
22 Staying power (8)
23 Circuitous (10)

DOWN

1 French capital (5)
2 Almost (4)
3 Material for violin strings (6)
4 Tepid (8)
5 European language (7)
6 Antipodean country (9)
9 Doctor (9)
12 Boy who never grew up (5,3)
14 Louis Armstrong nickname (7)
16 Afternoon nap (6)
19 Half-wit (5)
20 Ring of light (4)

Solution 3654

■	O	F	F	P	U	T	T	I	N	G	■	■
■	I	■	A	■	T	■	E	■	U	■	E	■
E	L	O	N	G	A	T	E	■	R	I	S	K
■	E	■	T	■	H	■	N	■	S	■	C	■
■	D	R	A	G	■	L	A	T	E	R	O	N
■	■	■	I	■	M	■	G	■	■	■	R	■
■	B	E	L	L	I	G	E	R	E	N	T	■
■	O	■	■	■	D	■	R	■	M	■	■	■
P	R	O	F	A	N	E	■	T	I	F	F	■
■	R	■	E	■	I	■	U	■	N	■	O	■
T	O	I	L	■	G	O	R	G	E	O	U	S
■	W	■	O	■	H	■	D	■	N	■	N	■
■	■	I	N	S	T	R	U	C	T	E	D	■

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3454

		3	9				5	7
6						8	9	
			3					
7	4		5					
5		9		8		2		1
					4		7	8
					1			
	2	5						4
8	7				9	6		

Solution-3453

7	4	6	1	2	9	8	3	5
1	8	9	5	3	4	6	7	2
2	5	3	7	8	6	4	9	1
6	9	4	3	5	1	7	2	8
3	2	7	9	6	8	5	1	4
5	1	8	4	7	2	3	6	9
9	7	1	8	4	3	2	5	6
4	6	5	2	1	7	9	8	3
8	3	2	6	9	5	1	4	7

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



লময়ানবা ইরাবত

ৰারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম



কৃষক সভাদি পোলিটিকেল পার্টি নত্তে হায়রকপদগী ইরাবতকা কোংগ্রেসকা য়েৎনবা থোকখিরম্মী।
নিংথৌশিংনা ইরাবতপু কম্যুনিষ্টনি হায়না কৃষক সভাগী অনৌবা লিষ্ট শেম্লদসু য়াওহনখিরমদে।
১৯৪৬ ওক্টোবর ৪ দা ইরাবতকা শিংনবশিংদুনা 'মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেস' শেম্লে হায়না লাওথোরক্লম্মী।